ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Government of Bharat
CBC 22201/13/0012/2627

থাজবা থম্লে
নারি শক্তি বন্ধন
#NariShaktiVandan

ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্বলিশিং অমসুং লোক সভাদা নুপীশিংগী ৩৩% রেজরভেশন পীবা



৪+ ক্রোর
পি এম অৱাজ য়ুমশিং নুপীশিংনা মশীং য়াম্না মপু ওইরে

৩৫+ ক্রোর
নুপীশিংনা মুদ্রা লোনশিং ফংলে

Vol. 51, Issue No. 23 | শগোলশেন, শজিবুগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, April 16, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## ফিজম শেৎলগা নোংমৈ পায়দুনা লাকপা এ আরনি হায়বা মীওইশিংগী গাড়ী ২ মৈ থাখ্রে
## সিক্যুরিটিনা লাকশিনবদা নুপী ৫ য়াওনা ১৮ শোক্লে, মতম কক্তনা কর্ফিয়ু থমখ্রে







এপ্রিল ১৪,২০২৬ চৈরাওবা নুমিৎতা খোইশাওনরবা মীয়াম্না মৈ থাখিবা গাড়ী ২ অমসুং মসিদা লাকখিবা এ আরনি হায়বা মীওইশিং

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা বোম কাপশিন্দুনা পীক্লিবা অঙাং অনী হাৎখিবা অমসুং অঙাং অনীগী মমাবুনা শোকহনখিবা থৌদোক খক্তা নক্তনা মসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা হৌরকপশিংদা সী আর পি এফনা নোংমৈ কাপশিনবদা মীচম অহুম লৈখিদববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী চথরকপগুম ঙরাংসু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থিনুঙ্গৈদা খোঙজংলোইশিংনা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা অচৎ-অওক তৌরিবা মীওইশিং খামদুনা মশক খঙদোক্লবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

শলাক শারবা লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা কোংগ্রেসনা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

## সী আর পি এফনা মীচম ৩ হাৎখিবা মরম চাদে : ইবোবী

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ১৩,২০২৫দা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থল্লগা নুমিৎ অদুদগী চলাইরকখিবা প্রসিদেন্টস রুলনা চহী ফারমদাই ফেব্রুৱারী ৪,২০২৬তা লৌথোক্লগা নুমিৎ অদুদগী অনৌবা মীয়ামগী লৈঙাক অমা চলাইরক্লবসু লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমদি নোংম-নোংমগী ফৎচিল্লক্তদুনা শলাক শারকপগী মায়োক্তা চীফ মিনিষ্টর টর্ম অহুল্লক ওইরম্লবা হৌজিক্লা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা পার্টি অসিগী মকোক থোংবা লিদরশিংনা ঙসি গভর্ণরদা ত্রোংলাওবী অমসুং গেলমোলগী থৌদোকশিং য়াওনা পোইন্ট ১০ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

ঙসি নুংথিল লোক ভবনদা চঙদুনা গভর্ণর এ কে ভল্লাদা মেমোরেন্দম পীশিল্লুরবা মতুং নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা লোক ভবনদগী থোরকখিবা ও ইবোবী অমসুং কোংগ্রেস লিদরশিংনা লোক ভবনগী গেটতা পাউমীশিংগা উন্নবদা ও ইবোবীনা হায়, ত্রোংলাওবীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২



এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ও ইবোবীনা লুচিংদুনা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিল্লুরবা মতুংদা পাউমীশিংদা পাউদম্বা

### চহী নৌরিবী নুপীমচা ১ নহা ৩না ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরম্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস):** ত্রোংলাওবী অমসুং পি গেলমোলদা বোম কাপশিন্দুনা পীক্লিবা অঙাং ২ হাৎখিবা অমসুং অঙাং অনীগী মমাবুনা শোকহনখিবা লোয়ননা সী আর পি এফকী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা মীচম অহুম লৈখিদবগী মায়োক্তা মীয়াম্না অকনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## মখা তানা ভাইওলেন্স থোকহন্দনবা মীয়াম্না তেংবাঙবীয়ু : গোবিন্দাস

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :**

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিং মরু ওইনা থিনুঙ্গৈদা ঙরাং চাউনা ঈরাং থোকখিবা অদু মীয়ামগা পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা কো-ওর্দিনেশন ৱাৎখিবদগী থোকখিবনি হায়রদুনা মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোক থোকহন্দনবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিগী ন্যু সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্সতা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা



পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ত্রোংলাওবীদা বোম পোকখায়বদগী পীক্লিবা অঙাং অনী থা অসিগী ৭তা লৈখিদবগী লাইবক থীবা থৌদোক্লা মরম ওইরগা মীয়াম্না খোইরাং খোইশাওনরিঙৈ চৈরক্তা ঙরাং অরানবা পাউ অমনা মরম ওইরগা অমসুং পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী পামদবা থৌদোকশিং থোকখ্রিবসি লাইবক থীবনি।

ঙরাং অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অঙাং হাৎপা য়ানীংদে, গো বেক সেন্ত্রেল ফোর্স: অমুকো

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) :**

ত্রোংলাওবীদা পীক্লিবা অঙাং অনী হাৎখিবা অমসুং সী আর পি এফনা নোংমৈনা কাপ্পদা মীচম অহুম লৈখিদববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ খরা হেল্লকপদগী অমুকোনা অমোভা, কোহর, এম এস এফ, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর অমসুং পোইরৈ ইতা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপনা লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংগা খূৎশম্নদুনা টিদ্দিম গ্রাউন্দদগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কশন




ফাওবদা অঙাং হাৎপা য়ানীংদে, গো বেক সেন্ত্রেল ফোর্স হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউদুনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে।

খোঙচৎ অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬




AUTHORIZED NISSAN DEALERS: MANIPUR: IMPHAL: ILAND NISSAN- 8291043027, ASSAM: BONGAIGAON: BINOD NISSAN- 9619895193, GUWAHATI: BINOD NISSAN- 8291045422, JORHAT: NOVA NISSAN- 8291043122, NAGAON: DHAANVI NISSAN- 8291042945, NORTH LAKHIMPUR: STANDARD NISSAN- 9619894544, SIBSAGAR: FAREAST NISSAN- 8291063254, TINSUKIA: FAREAST NISSAN- 8291044078, NAGALAND: DIMAPUR: NILI NISSAN- 8291042851, KOHIMA: NILI NISSAN- 8291066176, ARUNACHAL PRADESH: NAHARLAGUN: NIGLA NISSAN- 9167298746, MIZORAM: AIZWAL: RAFAEL NISSAN- 8291042671.

*Terms & Conditions Apply. All prices ex-showroom Delhi. The model shown is a Limited Edition Nissan Gravite. Features and accessories shown may not be standard equipment and are subject to change without prior notice. Approved accessories included from trusted Nissan suppliers; they are not 'Nissan Genuine Accessory'. Warranty on such accessories is supported by the supplier and is limited to 1 year from the sale of the vehicle. Finance is at the sole discretion of NRFSI. *Standard warranty of 3-year or 1 00 000 km, whichever comes first, and can be extended to 10 years or 2 00 000 km at an additional cost. *Lowest cost of maintenance at 40p in the B-MPV category segment refers to B-MPV models with a length of less than 4m. Boot space is as per various modular configurations available in the vehicle. Please consult an authorised Nissan dealer for the latest information on features/specifications before deciding to place an order. Exchange is at the sole discretion of exchange partner*
HL-B/11276/16
NISSAN FINANCE

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫